থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# শেলনা মশক থীহল্লবা কলচর অমা

'শেল থাবা' হায়বা চৎনবী অসি, ঐখোয় থিজিন হুমজীন তৌরুদ্রবসু, থম্মোয়সিদা কন্না ফাওই- মৈতৈ হায়বা ফুরুপ অসি নত্তনা অতৈ ফুরুপ'তা অদুক হাক্লা অচেৎপা চৎনবী অমা ওইনা লৈরম্লোই। ঐখোয়গীসিদসু, ঐনা নীংশিংবা ফাওবদা, ঙসি ওইরিবা মওং অসিগুম সিরিয়স ওইরমদে। রিসর্চ তৌদুনা পুথোকপা ফাইন্দিং নৎত্রবসু, 'সিমদি শোয়দনা চুম্লমগনি খল্লি, মদুদি- অদুঙৈ, নিংথৌকোনগী অঙম অথৌশিংনা, নিংথৌগী দরবারদা নিংথৌবু পেলহন্নবা, নুংঙাইহন্নবা জগোয়-ঈশৈ-ফাগি হৈবা মীশিংবু কৌখৎলগা ঙাইহাক পুঙ্গোয় পোত্থাহনবা, নোকহনবা, তেন্সন-ফ্রী ওইহনবা... মখোয়গী অৰামল ওইনা লৈমা-নিংথৌ-অঙম-অথৌশিংনা মখোয়না শেৎলম-ইল্লম্বা ফি-রোল মখোয়দা খুদোল ওইনা পীবগী চৎনবীদু মতৌ তমদুনা লৈরক-খুল্লক য়ৌরকখিবনি। নুংঙাইবা পাউ অমা তম্বগীদমক নিংথৌ নৎত্রগা রানী'না মঙকশমদা শিবা লীক পরেং লৌথোক্তুনা পীবা- হিন্দী ফিল্মদসু উরিবদুনি।

অদুগা, শিবা-নাবা, লুহোং-কৈহোংগী থৌরমদা মপুগী মিংখৈ শক-শোনবা তৌরিবা কলাকারশিং শেল অমদি ফি থাবগী চৎনবীসিদসু ঙসিদি অঙকপা অহোংবা লাকপা থেংনরে। মীশি-মীনাগী শ্রাদ্ধ-কর্ম্ম শোন্নবা সূমাঙদা মান্দব খনবা, মতম অমদা লৈকায়গী মীনা লাক্তুনা তৌনরম্মী। মান্দব মপু হায়বা অমা অখন্নবা খুভম অমা থারগা ফমহনবগী চৎনবী অমা শেল্লম্মী। মহাক, মান্দব খনবা য়াওবা মী নত্তে। শোন্নপুংদা ঈশৈ শক্লিবা, মপুগী মিংখৈ শোল্লিবশিংদুগী মপুনি। কুইরে, অহল অমনা তাকপীরম্বনি- মতম অমদা, অসিগুম্বা শৈশকপশিং মরাং কায়দ্রিঙৈ, অথাপ অথাপ্পা খুঙ্গং অমদি লৈকায়শিংদা চোইনা চাইনা লৈনরিবা মমিং চৎপা পূঙ-য়ৈবা অমদি শৈশকপশিং, ময়ুম-ময়ুমদা চৎতুনা কর্ম্ম (থৌদোক) তুগীদমক নেক্লুবই থবক্তু য়ুম্বু/থৌবু ওইরিবা মীদুনা তৌবই মতীক ওইরমদে। মৰা চৎপা/সঙ্গ লৈবা কনাগুম্বা অমদা থৌগায় অদু শীন্নবা তারম্মী, শেল/অৰামল পীদুনা নেকপা নত্তে। ঈশৈ শকপা/পূঙ য়ৈবা কলাকারশিং অদুগী অৰামল (পর্ফোর্মেন্স ফী) অদুদি য়ুম্বু অমদি মহাক্কী মচিন-মনাও, শাগৈ-নাতৈ, য়ুম্লোন-কৈরোন্নবা অমসুং মরুপ-মপাং ময়ামদুনা অঙম-অঙম্বা শেল অমদি মশক-নাইবা ফি থাদুনা, মন্তীক্লদুনা লেপত্রবসু, লেম্না খক মাঙদে। অদুবু, মখোয়বু নেক্লুরিবা মহাক্কীদি? ঈজ্জৎকী য়েংদুনা, মহাকনসু কর্ম্ম-ধারী (য়ুম্বু) দুদা হায়রুদে, য়ুম্বুনসু হংনদে। অদুবু, মহাক্কী মতমগী মমল অমদি হোৎনজমলদুবু ঈকায়খুম্নদুনা 'মান্দব মপু' হায়বা অখন্নবা পোজিসন অমা শেমদুনা কম্পেন্সেট তৌবগী চৎনবী অমা শেমগৎখিবনি॥ মতমগী মতুংইন্না, লৈকায়না মান্দব খনবগী চৎনবী মাঙখিবা, প্রাইভেট তেন্ট-হাউজ কয়া থোক্লকপা, মীশিং য়ামখৎলকপগা ঈরোয়ননা মীশি-মীনা, লুহোং-কৈহোং, নাহুৎ-নারেংগী থৌরম কুংশিল্লকপা, নট-সঙ্কীর্ত্তন পর্ফোর্মর মশীংসু হেনগৎপা তঙাইফদবা অমা ওইরকখি। শক্লাইবা কলাকার-পর্ফোর্মর অমমমনা ইন্সটিট্যুসন অমগী শক্তম লৌরকখি। লৈকায় খূদিং, লৈরক খূদিং রিচ্যুঅল-পর্ফোর্মর'না মরাং কায়রকখি। ফংলোই হায়বগী নুংনাংবা মাঙখিবদগী 'মান্দব-মপু'গী কন্সেপ্ট'তুসু মূৎথখি।

'নট-সঙ্কীর্ত্তন'-ঙসিদি, মৈতৈ-খুন্নায় অসিনা মূৎখিদ্রিমখৈ মূৎলরোইদবা আর্ট-ফোর্ম অমা ওইরক্লে। য়ুনেস্কো'গী 'ইনতেঞ্জিবল কলচরেল এসেটস ওফ দ ৱর্ল্ড'গী মনুং চল্লবা কলচরগী মশক অমনি- চাউথোকচরি কলাকারশিংনা। অদুগা, ঐগী থম্মোয়সিনদি নুংনাংলি- চাউথোকচনিংঙাই ওইরবা নাৎ অসিগী মীনা তুক্কচচনীংঙাই ওইরক্লবা অতোপ্পা মশক অমা উরুবদা। শক্তম অসি, ঐতা নত্তে, অয়াম্বা মীয়ামগী থম্মোয়দসু ফাওনরবা, চীনবান লান্না ফোঙদোকপদি, মীয়াম্না করি হায়খিদগে কিবনা ফোঙদোক্লদবা ফীলিং অমনি। ঙসি-ঙরাং ইকুই কুইদনা থোকখিবা থৌদোক অমা থেংনরুবা, মমাঙদসু কয়ারক উখ্রবা দৃশ্য অমা উরুবদগী, ঙসিদি পাউদম ওইনা হেক্তা ইরগে খন্না কলম পায়খৎলিবনি।

য়াম্না লুনা, নক্লনা, নুংশিনা তীন্নবা মরুপ অমা, নুমীৎয়ুংবা মতুংদা, লৈত্রে হায়দুনা পাউ পীরকপদগী থীন্থদনা চৎখি ঐ। অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকপা, লৈখিদ্রবই থৱায়-মিরেলদা লৈনা অমত্তসু কৎহৌরুগে খন্দুনা। খাঙেনফমদা থাংদোক্লমদ্রি। মাঙ্গোলদা ময়াম কপ্পরম্মী। লাইশোন তীনশোল পাঙথোক্লম্মী। ঈশৈ শকপা অহুম, পূঙ য়ৈবা অমা, থৱায় লানবীরিবা বৈত অমা, লাইশোন শোল্লিবা বামোন অমা। 'কনা কনা অরোইবা ওইনা খুরুমগদবনো খুরুমহৌরো' হায়রকপগা, লৈখিদ্রবগী মনাওনুপানা মখোয় তরুক্তা লুপা কুন চৎপী অমমম থারগা, ময়াম্বগী মখোঙ পায়দুনা ও খোংনা কপ্পী। ময়ামসু কপনৈ। ঐসু কপ্লুই। মী মরিফু-মরিফুতরামুক ওইরম্লি তরা চৎপী, কুন চৎপী থারগা খুরুম্নখিবা। শুমাঙদা, খাঙেনফমদা পুথোক্লগা লৈ কৎপগী তানফমদুদা অমুক, তুরেল মপাল-মোংফমদা পুথোক্লগা পোৎলোইরমদাইদা অমুক, মখোয় তরুক্লা পরেং ফম্লগা শেল থাখিবা। তরা চৎপী মপৈদু ফনা ৱাংই, শকখিবা ঈশৈদুদি কনানসু তাখিদে, লৈশি-লৈথোন, পূক্লিং নুংওনহনবা মতাং অমত্তসু য়াওখিদে- ঐদি থওইনা তাখিবনি। মদুনসু লোইবা নত্তে। নুমীৎয়ুংবা মতুং খূদিংগী 'দষা হোল' হায়দুনা শোরাৎ য়ৌদ্রিফাওবা নুংতিগী লাইরিক তাদৌরি। লাইরিক তৌবা বামোন, ঈশৈ শকপা বামোন মখোয় অহুম-মরি অমদি লৈকায়গী অহল তরা-কুন! নুংতিগী তরা চৎপী মঙা-তরানা মমায় তাবীদৌরিবা। মঙানি লৈহুন/অস্থি-সঞ্চয়- নুমীত্তুদসু তরা চৎপী/কুন চৎপীগী মিনি-ফেষ্টিভেল অমা। তরামাথোইনি চনবা নৎত্রগা তরাহুমদোইনি চনবা নুমীৎতদি শোন্নপুংদা ঈশৈ শক্লিবা/মপুগী মিংখৈ শোল্লিবা মখোয় তরেৎ নৎত্রগা মাপন (করিগুম্বদা তরামাথোই) অদুদা, অরাকপা ইনভাইটি পুম্নমক্লা থাগদৌরিবা শেল, অকোয়বদা ফল্লিবা মখোয় তরা-কুনদুদসু চপ মান্ননা থাদবা য়াদবগী অনৌবা চৎনবী অসি, ঙসিদগী চহী কুনমুক্কী মমাঙদদি লৈরমদে। ঙসিদি, নাহুৎ-নারেং , লুহোংবদসু ভাবোক্তা শেল থারমদবা ইনভাইটি, হৌন-খঙদবা, চাউখৎতবা মীগুম খন্নরক্লে। কনাগুম্বা খরদি, থওইনা মমাঙ ফমহৌনবা ঙন্না চৎনবসু য়াওরে ঙাঙনৈ ঈকায়-ইকি তুংওইনদুনা। শৈফম খরদদি, লৈকায়দুগী ক্লব'না 'ভাবোক্তা শেল থাবীগনু' হায়না ইদুনা থেৎপসু থেংনরে।

থাজবীয়ু- অনৌবা চৎনবী অসি, মৈতৈ/মীতৈ হায়বা ফুরুপ অসি নত্তবা অতোপ্পা মী মখল অমত্তনা তৌবা থেংনরোই মালেমসিগী মফম অমত্তদা। অদুগা, সিমসু অচুম্বা ওইরমগনি- শেল-থুমগী লমদসু খ্বাইদই শোত্থবা কাঙলুপ অমনি ফুরুপসি। ঐখোয়, তীল্লাং খয়োৎনদুনা মুন্না অমুক্তং খন্থমিন্নসি, য়ানসি- 'অনৌবা চৎনবী অসিনা তাঙলবা আর্ট-ফোর্ম, ইনতেঞ্জিবল কলচরেল এসেট অসি মূৎখিনবগী মরম অমা ওইরক্কদৌরিবনি'।

লৌশিং পুক্কে

# থাগী খোঙকাপ লাকপা মতমদা

## ঐখোয়না চারোইদবা চীঙ্গাক খরগী মতাংদা খঙমিন্নসি



মালেমদা লৈরিবা নুপী খূদিংমক থাগী খোঙাকপ হায়বসিদি শোয়দ্রবা ৱাফমনি। অহানবা থাগী খোঙকাপ লাকপগী মতম অসি চহী ৮দগী ১৫ ফাওবদা ওই। হায়রিবা থাগী খোঙকাপ লাকপগী মতম অসিবু ঐখোয়না মেনার্কি হায়রগা খঙনৈ। অদুগা নুপী অমনা থাগী খোঙকাপ লেপ্পগী মতম অসিনা চহী ৪৫দগী ৫৫ ফাওবগী মনুংদা ওই। হায়রিবা মতম অসিবুনা ঐখোয়না মেনোপোজ হায়রগা খঙনৈ। নুপা ওইবশিংনদি নুপীশিংনা থাগী খোঙকাপ লাকপা মতমদা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং খঙলমদবা য়াই। মরমদি হায়রিবা থৌওং অসি নুপীখক্তদা থোকপা থৌওং অমনি। থাগী খোঙকাপ লাকপা মতমদা ৱাখল শোন্থরকপা অমদি হকচাং শোন্থরকপা য়াওরকই। মরম অদুনা হায়রিবা থাগী খোঙকাপ লাক্লিঙৈ মরক অসিদা ঐখোয়না মচি ওইবা চীঙ্গাক মরুওইনা চানবা হোৎনগদবনি। থাগী খোঙকাপ লাকপা মতমদা নুপী ওইবীশিংনা মখোয়গী ৱাখল্লোন্দা অহোংবা কয়া লাকপনা মরম ওইরগা খোঙকাপ লাক্লিঙৈ মনুংদা জঙ্ক ফুদ (কেলোরিগী চাং য়াম্না য়াওবা অদুবু হকচাংদা কান্নবা কা হেন্না পীদবা চীঙ্গাক মখলশিং) চাবগী হৈনবী লাকই। মখোয়না ঙাইহাক্কী ৱাখল নুংঙাইনবা হোৎনবদা হান্ননা শেম-শাদুনা য়োল্লিবা চীঙ্গাকশিং চাবগী হৈনবী অসি লাকপনি। অদুবু মসিদা ঐখোয়না খঙজিনগদবদি হকচাংদা মচি ওইদবা চীঙ্গাক্তগী ঐখোয়না য়ারিবমখৈ লাপ্না লৈনবা হোৎনগদবনি। মসিনা খোঙকাপ লাক্লিঙৈ মনুংদা হকচাং ফনা লৈহনবদা চাউনা মতেং পাংগনি। করিগুম্বা মতমদা মশাগী মপাঙ্গল শোনবা নুপীশিংনা থাগী খোঙকাপ লাকপা মতমদা হান্নদগী হেন্না মপাঙ্গল শোন্থরক্তুনা করিগুম্বা মতমদা ৱাখল মাঙবগী থৌদোক ফাওবা থোকপা য়াওই। মরম অদুনা হায়রিবা মতম অসি নুপীশিংনা খ্বাইদগী হেন্না চেকশিনগদবনি।

অমরোমদা, থাগী খোঙকাপ লাক্লিঙৈ মনুংদা ঐখোয়না চারোইদবা চীঙ্গাক খরগী মতাংদা হৌজিক খঙমিন্নরসি-

১) অলকোহোল : থাগী খোঙকাপ লাক্লিঙৈ মতমদা ঐখোয়না অলকোহোলদগী য়াম্না লাপথোক্লা লৈনবা হোৎনগদবনি। মরমদি অলকোহোল শীজিন্নবনা থাগী খোঙকাপ লাকপগী মতম কায়হল্লকপা নৎত্রগনা মেন্সত্রুয়েল সিম্পটমদা হেন্না শোকচিলহল্লকপা য়াই। নৎত্রগনা পূক য়েকপা নৎত্রগা নাবা থোকহল্লকপসু য়াই। থাগী খোঙকাপ লাক্লিঙৈ মতমদা ঐখোয়না থকপা য়াবা অমা হায়রগদি জিঞ্জর টি অসিনি। মসি থাগী খোঙকাপ লাক্লিঙৈদা থকপা মতমদা হকচাংদা য়াম্না কান্নবা পী। ষ্টদি অমগী মতুংইন্না শীং অসি থাগী খোঙকাপ লাকপা মতমদা হকচাংদা ফাওরকপা নুংঙাইতবশিং কন্ট্রোল তৌবদা শীজিন্নবা য়াই। শীংদা য়াওরিবা কান্নরবা মচলশিং অসিনা মরম ওইরগা নুপীশিংনা জিঞ্জর টি নৎত্রগা শীং মচেৎ অমা উম্বগী হৈনবী থম্বা ফগনি। অমরোমদা খোঙকাপ লাক্লিঙৈ মতমদা অফবা ঈশিং চাং নাইনা থক্কদবনি। মসিনা হকচাংদগী ঈশিং কা হেন্না চৎপদগী থোকহল্লক্কদবা খুদোংচাদবশিং ঙাকথোকপা ঙম্মী।

২) থুম কা হেন্না য়াকপা চীঙ্গাকশিং : থাগী খোঙকাপ লাক্লিঙৈ মতমদা নুপী ওইবীশিংনা চাবা থকপদা য়াম্না চেকশিনগবদনি। মরুওইনা থুম কা হেন্না য়াকপা চীঙ্গাকশিং হায়বদি সোদিয়মগী শরুক কা হেন্না চাশিনবনা হকচাংদা য়াওরিবা ঈশিং কন্ট্রোল তৌবা ঙম্লক্তবগা লোয়ননা পূক নাহল্লক্লবগী অচৌবা মরম অমা ওই। মরম অদুনা থাগী খোঙকাপ লাক্লিঙৈ মতমদা থুম কা হেন্না চাবগী হৈনবী থাদোক্কদবনি।

৩) লম্বীদা য়োল্লিবা শেম-শারবা চীঙ্গাক : হকচাং ফনা লৈহনবদা খ্বাইদগী হেন্না মথৌ তারিবসি ঐখোয় ইশানা য়ুমদা শেম-শাজদুনা চাবা অসিনি। অদুবু ঐখোয়না লম্বীদা থোরকপা মতমদা ফজবা মওংদা শেম-শারবা অচাপোৎ অমদি অতোপ্পা চান-থক্লবশিং উবদা কা হেন্না চানিংবা ফাওহল্লি। অদুবু থাগী খোঙকাপ লাক্লিঙৈ মতমদা লম্বীগী মতায়দা নৎত্রগা হোটেলদা য়োল্লিবা চীঙ্গাকশিং য়ারিবমখৈ চাদনবা হোৎনগদবনি। হায়রিবা মতম অসিদা ঐখোয়না মরুওইনা অশংবা মনা-মশিংগী সলাদকুম্বা ওইনা চানবা হোৎনগদবনি। অশংবা মনা-মশিং চাবনা থাগী খোঙকাপ লাক্লিঙৈদা নুংঙাইতবা কয়া থোকহল্লক্কদবদগী থিংবা ঙম্বদা নত্তনা হকচাংগী ইম্যুন সিষ্টম মপাঙ্গল কন্না লৈহনবসু ঙম্মী। অমরোমদা রেদ মিট নৎত্রগা কেফিনগী শরুক য়াওবা চীঙ্গাকশিংসু থাগী খোঙকাপ লাক্লিঙৈ মতমদা চারোইদবনি হায়রি।

আর্টিকল অসি রিলাইএবল সোর্সতা য়ুম্ফম ওইরগা ফোঙবনি, অদুবু মসিনা মেদিকেল প্রোফেসনেলশিংগী পাউতাককী মহুৎ শিন্নবা হোৎনবদি নত্তে

# শুপ্নতগী ক্লাস নাইন খক্তা তল্লিবা অরুবা অনাবা অমনা নাদুনা লৈরিবা থৌবাল ক্ষেত্রি লৈকায়গী ৱাইখোম মনিমতুমদা লুপা লিশিং ২০ এল এম জিনা তেংবাঙখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৭ (ঐচ এন এস) :

থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা থৌবাল ক্ষেত্রি লৈকায়দা লৈবা মশাগী অরুবা অনাবা লায়না অমনা মরম ওইরগা অরুবা ফীভম অমদা লৈরিবা শুপ্নতগী ক্লাস নাইন খক্তা তল্লিবা ৱাইখোম মনিমতুমগী অপোকপা-অপোকপী অনীদা লাইক মাইন্দেদ গ্রুপ (এল এম জি) মণিপুরনা শেলগী মতেং ওইনা লুপা লিশিং ২০ তেংবাঙখ্রে হায়না এল এম জি মণিপুরগী সেক্রেটরি ওজিৎ সোরোখাইবমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।




গ্রুপ অসিগী সেক্রেটরি ওজিৎ সোরোখাইবমনা লুচিংদুনা চৎখিবা ঙসিগী তেংবাঙ খোঙচৎ অদুদা মংলেম ৱাইখোম, মাইবম ইতিন, কোঞ্জেশ্বর মংশাতাবম, সুরেন্দ্র নিঙোম্বা, এলাংবম রামেশ্বর, জুলিকুমার থোঙাম, সোবিতা মাইবম অমদি ইনাওবি তেন্দোংয়াননচিংবা গ্রুপ অসিগী মরুওইবা মেম্বর কয়াসু শরুক য়াখি।

শেলগী মতেং পাংবগী খোঙচৎ অদুদা শরুক য়াখিবা লূপ অসিগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি রাকেশ নাওরেমনা ফোঙদোকখিবদা, লমদম অসিদা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপশিংগী ইচিল-ইনাওশিংগী মরক্তা কনাগুম্বা অমনা অনা-অয়েক, অৰা-অনা, খুদোংথিবা তারকপা মতমদা ঐখোয়না য়েংদুনা লৈথোকপগী মহুৎ শুপ্নতংগী মীনুংশিগী তেংবাঙ ওইনা লুপা ১ খক ওইরবসু পাংদুনা অৰাবদা শরুক য়ামিন্নসি। এল এম জি হায়রিবা গ্রুপ অসিগী মোটোদি সর্ভিস টু হ্যুমেনিটিনি। গ্রুপ অসি কোভিদ-১৯ পেন্দমিক মনুংদা ৱাখল্লোন মান্নবা, মীওইবগী অৰা- অনা তারকপশিংদা মতেং পাংনিংবগী ৱাখল্লোন চেনবা মীওইশিংনা পুনশিল্লগা শেমখিবা গ্রুপ অমনি।

শুপ্নগী চহী অমগা থা মঙারোমতা ঙাইরিবা গ্রুপ অসিনা ঙসিদি চীং অমদি তমগী অৰাবা খুদোংথিবা নংলবা ইমুং ৭৫দা মতেং পাংবা ঙমখ্রে। ঙসি পাংলিবা তেংবাঙ থৌরম অসিনা গ্রুপ অসিগী ৭৬ শুবা তেংবাঙ থৌরমনি। গ্রুপনা অৰা-অনা তারবা মীওইশিংদা মতেং পাংবা ঙমজরিবা অসি গ্রুপ অসিগী পুকচেল চাউরবা মেম্বরশিং অমদি মণিপুর মীয়ামগী সপোর্টনা ঙম্বনি। মখা তারকপা মতমদসু গ্রুপ অসিদা মতেং পাংবীদুনা মীয়ামগী থৌদাং লৌবা ঙমহনবীয়ু। অৰা-অনা, তোল্ল-তারবশিংগীদমক ঐখোয় মতম চুপ্পগী ওইনা লেপমিন্নসি হায়নসু ফোঙদোকখি।

তেংবাঙ খোঙচৎ অদুদা মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, হৌজিক হৌজক শুপ্নতগী ক্লাস নাইনতমক তল্লিবা ৱাইখোম মনিমতুমগী অপোকপী অরাধানা ফি শারগা অমদি অপোকপা সনাতোম্বনা নোংমগী অফং-অফংবা থবক শুরগা হিংবা ইমুংনি। নাইতোম ওইনা মথন্তা য়াওজরিবা মনিমতুমনা তমথীরবা অনাবা অমনা নারকপদগী ইমুং অসি কা হেন্না অৰাবা মায়োক্লরে হায়বগী পাউ সোসল মীদিয়াগী খুত্থাংদা ফংবদগী গ্রুপ অসিগী মেম্বরশিংনা অঙম-অঙম্বা তেংবাঙনদুনা ঙসি লূপ অসিনা লুপা লিশিং ২০গী মতেং অসি তেংবাঙবনি। গ্রুপ অসিনা শীংজমৈ ৩৬০গা খুৎশম্নরগা অঙাং অসিগী অনা-লায়েংগীদমক মতেং পাংনবা হায়দুনা ইমুং অসিগী জি পে নম্বর শীজিন্নদুনা মীয়ামদগী তেংবাঙ লৌজবা মতমদা ঙসি অয়ুক ফাওবগী মনুংদা লুপা লিশিং ৩৪গী মতেংসু ফংজরে। মখা তানা মীয়াম্নসু মতেং পাংবীদুনা অঙাং অসিগী থৱায় কনমিন্নসি। লোয়ননা ইমুং অসিগী অৰাবদা খরদা ওইরবসু সপোর্ট তৌমিন্নসি হায়খি হায়রি।

# মীফম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৭ (ঐচ এন এস) :

ইম্ফাল অর্বান কোওপরেটিভ বেঙ্ক লিমিটেদকী চহীগী ওইবা জেনরেল বোদি মীটিং অমা বেঙ্ক অসিগী এদমিনিষ্ট্রেটিভ ওফিস ইম্ফালগী মহাত্মা গান্ধী এভিন্যুদা ইম্ফাল অর্বান কোওপরেটিভ বেঙ্ক লিমিটেদকী প্রসিদেন্ট য়ুম্নাম কুমারনা ময়াই তাংবল লৌদুনা ঙসি অয়ুক পুং ১১ তাবা মতমদা পাঙথোকখ্রে হায়না কোওপরেটিভ অসিগী এসিষ্টেন্ট জেনরেল মেনেজর ঐচ মেঘচন্দ্র শর্ম্মনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ঙসি পাঙথোকখিবা ইম্ফাল অর্বান কোওপরেটিভ বেঙ্ক লিমিটেদকী চহীগী ওইবা জেনরেল বোদি মীটিং অদুদা শরুক য়াখিবা দেলিগেট মেম্বরশিংনা বেঙ্ককী কুমজা ২০১৬-১৭, ২০১৭-১৮, ২০১৮-১৯, ২০১৯-২০, ২০২০-২১ অমদি ২০২১-২২গী ওদিট তৌরবা হিসাব, বেলেন্স সিট অমসুং প্রোফিট এন্দ লোস একাউন্টশিং অমত্তা ওইনা পাস তৌখি। লোয়ননা বেঙ্ককী চাউখৎ থৌরাংগী মরমদা পীবা রিপোর্ট অমদি বাই লো শেমদোকপা য়াওনা মীফম অদুনা অয়াবা পীখি হায়রি।

# ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২৮।১১।২০২২ ইং, নিংথৌকাবা; নুংথিল পুং ১.৩৬ ফাওবা পোইনুগী ৫নি পাল্লি, মতুং ৬নি পাল্লনি।

মেষ: অঙম্বনা চানবীবা খরা ৱাৎলসু, লৌশিং ফুদোকপা ৱারসু নীংবা থুংগনি, থবক পাঙগনি, পল্লম্বা লন ফংবা য়াবা লৈরে, মরুপ ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী ফরদি ফরনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/কিসমিস

বৃষ: আশা চাওখিনু, মীতোপসু পঙথা থাজগনু অমদি ঐনা ঙমদা য়াদে খনগনু। মীচঙ ৱাৎলি-অরুবা/অনৌবা থবক পাঙদবা ফৈ। য়াকা য়েংউ।
লৈশা পাখংশিংগী- পুকচেল চাওথোকউ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/শঙ্গোম

মিথুন: চঙশিনখ্রদি হল্লনু, লোয়নবশিংদা থাজবা থম্মু, খুদক্কী ওইনা নাইতোম ৱারেপ লৌবা অকায়বা লৈরোই। অশাওবদি লোয়নগনু-মাঙগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক লৈতে।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

কর্কট: শেন্দোং য়াম্না ফংবা, ৱাখলগী পাঙ্গল কনবা, নীংবদুমক পাঙবা য়াবা অমদি মীনা কিনবা নুমিৎনি। অদুবু থাজদনা নক্লবনা হুন্দুনা ঙাংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংজৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস

সিংহ: মীরক চঙলগা পেঞ্জবা, শেন্দোং চাওবা, পাঙনিংবা থবক পাঙবা ঙম্বা নুমিৎনি। য়েংথিবদি য়াম্বনা নথক থোংবদা লান্না পাউথোকপিগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

কন্যা: মতম মাঙবনা হেনগনি, হোয়া ফগনু। মীনা লাকচবদি ঙল্লোই-মফম কনবা ঙমগনি, লাই-গুরুনা চাল্লি, মীয়াম লোয়নবা নুংঙাইজগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চারোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

তুলা: ফজফম লৈতে-ফিংলসু নুংশা থিগনি, চিন য়াংলসু নচাক নরলদা তায়ননি, হোয়া ফরসু মরুপগা য়েৎনগনি। অশাওবা ফাথবনা য়াইফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মতম খরা লৌ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/চেঙ

বৃশ্চিক: অরাপ্পদগী কান্নবা ফংগনি, লৌশিং চাওবনা অচুম অরান লায়না খঙগনি, মচা-ননাই চাওখৎকনি, মরুপ মপাংনসু থোইনা চানবীগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংজবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/কিসমিস

ধনু: থবক লায়না পাঙগনি, মীকোক থোংগনি, মীয়ামগী মতেংসু ফংগনি, পাউসু নুংঙাইবা তাগনি। চরাংনবনদি চাদিং হেল্লি/মাঙজগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবদি থুংলোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

মকর: ৱাখল নুংঙাইবা, অনৌবা আশা লাকপা অমদি অনৌবা থবক পাঙহৌবা য়াবা অফবা নুমিৎনি। অদুবু শোক-পনবগী নুংঙাইতবা লৈরি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংজবা ফংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাঙবা

কুম্ভ: পোরম য়াৎলগা পাঙবা থবকশিং নীংথিনা পাঙগনি, নচা-ননাইদগী কান্নবা ফংজগনি, ঙাং-শকপা পকচগনি। অফা-অপুন্নবদি লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মতাং চারোই
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

মিন: অরিবা থবক পাঙবা ৱাই, হুরানবা থেংনগনি, লৌশিং শোন্থবা লৈ। শেল থুমগী, অফা-অপুনগী অমদি নচা-ননাইগী লমদদি মায় পাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

# নেসনল কন্সটিট্যুসন দে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৭ (ঐচ এন এস) :

লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা নেসনল কন্সটিট্যুসন দে পাঙথোক্লবগুম কাংপোকপীদসু ঙরাং নেসনল কন্সটিট্যুসন দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা শরুক য়াখিবা অথোইবা মীথুংশিংনা করিগীদমক নেসনল কন্সটিট্যুসন দে পাঙথোক্লিবনো হায়বা ৱাফমশিং ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা নবেম্বর ২৬ অসিদা মরুওইনা নেসনল কন্সটিট্যুসন দে পাঙথোক্লরকপগী ৱাফমশিং ফোঙদোকখি। লোয়ননা কুমজা ১৯৪৯দা শেমখিবা কন্সটিট্যুসন অসিদা মপুং ওইনা থৌদাং লৌখিবা ডা. ভিম রাও অম্বেদকরনা কন্সটিট্যুসন শেম্বদা মহাক্লা করম করম্বা তঙাইফদবা ৱাফমশিং করিগীদমক য়াওহনখিবনো হায়বনচিংবা ৱাফমশিং ফোঙদোকখি। লোয়ননা থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা ওফিসলশিংনা কন্সটিট্যুসনবু ঙাক্লা চৎতুনা লৈবাক অসি ঈং-তপ্পা লৈবা ঙম্নবগীদমক অমত্তা ওইবা ৱারেপসু লৌখি হায়রি।

# য়ু অফবা পামদে, য়ুনা মীওই অফবা কয়া হাৎখ্রে, কয়া অমনা লুখ্রাবী ওইহৌরে, য়ুনা মরম ওইরগা অনাবা লায়েংবদা ইমুংগী লন-থুম কয়া মাঙহন-তাকহনখ্রে : ঙানবী

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৭ (ঐচ এন এস) :

য়ু অফবা পামদে, য়ুনা মীওই অফবা কয়া হাৎখ্রে, কয়া অমনা লুখ্রাবী ওইহৌরে, য়ুনা মরম ওইরগা অনাবা লায়েংবদা ইমুংগী লন-থুম কয়া মাঙহন-তাকহনখ্রে। মসিদা কান্নরিবসি করিনো, মণিপুর লৈঙাক্লা পাল্লিবা কান্নবা অসিসু করিনো হায়বদু মীয়ামদা ময়েক শেংনা খঙহল্লু হায়না ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা লমদেং লমখায়গী ৱাইটিং সেদতা পাঙথোকখিবা ৱাকৎ মীফম অমদা শরুক য়াখিবী ঙানবী কমাইনা ফোঙদোকখ্রে।




ৱাফম অসি ঙসি কাদা অমদি তোঙান তোঙানবা লূপ কয়াগা পুন্না খুৎশম্নদুনা চহীসিগী হৌখিবা সেপ্টেম্বর ২০দা মণিপুর লৈঙাক্কী কেবিনেট মীফম অমনা মণিপুরগী মফম খরদগী য়ু শুংবা, য়োনবগী লৈরম্বা অথিংবা লৌথোকখিবা ৱারেপ অদু হন্দোক্কদবনি হায়না লেপ্পা লৈতনা চঙশিল্লক্লিবা খোঙজং অদুগী শরুক অমা ওইনা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা লমদেং লমখায় ৱাইটিং সেদতা ওল মণিপুর ৱিমেন সোসল রিফোর্মেসন এন্দ দিভেলপমেন্ট সমাজ (নুপী সমাজ), ইচল লমশাং ব্রাঞ্চ অমসুং কাদাগা পুন্না খুৎশম্নদুনা পাঙথোকখিবা ৱাকৎ মীফম অমদা ফোঙদোকখিবনি।

নাকল অমরোমদা, ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা খাগেমপল্লি হুইদ্রোম লৈকায়দসু নুপী সমাজ, য়ুমজাও লাইরেম্বী নুপী লূপ, নিম্পাল খাগেমপল্লি হুইদ্রোম লৈকায় ব্রাঞ্চ অমসুং কাদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগা পুন্না খুৎশম্নদুনা লৈঙাক্লা য়ু শুংবা অমদি য়োনবগী অয়াবা পীখিবা ৱারেপ হন্দোকউ হায়দুনা মীয়ামগী ওইবা ৱাকৎ মীফম অমা ফমদুনা খোল্লাউ কয়াসু লাউখি হায়রি।

নাকল অমরোমদা, ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা উরিপোক লাইখুরেম্বী পঞ্চায়ট মনিংদা নুপী সমাজ, লাইখুরেম্বী পঞ্চায়ট মনিং অপূনবা মৈরা পায়বী অমসুং কাদাগা খুৎশম্নদুনা মণিপুরদা য়ু শুংবা অমদি য়োনবগী অয়াবা পীবা য়ারোই হায়বগী ৱাকৎ মীফম অমা পাঙথোকখি।

অমরোমদা, ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা পাউনা বজার উষা সিনেমা হোল মমাঙদা নুপী সমাজ, পাউনা বজার ৱিমেন্স ৱেলফেয়ার ওর্গনাইজেসন অমসুং কাদাগা পুন্না খুৎশম্নদুনা মীয়ামগী ওইবা ৱাকৎ মীফম অমা পাঙথোকখি। ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা মীয়াম অদুনা মণিপুরদা য়ু লিগেলাইজেসন তৌবা য়ারোই, য়ুদগী মণিপুরগী মীয়াম কল্লু হায়বনচিংবা খোল্লাওশিং লাউদুনা মণিপুর লৈঙাক্লা হন্দক য়ু শুংবা অমদি য়োনবগী অয়াবা পীখিবা ৱারেপ অদু য়ানিংদবা ফোঙদোকখি হায়রি।

নাকল অমরোমদা, ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা খুরাই পাউনম লৈরক নান্দৈবম লৈকায়দা নুপী সমাজ, নোংপোক লৈঙাক অপূনবা নুপী লূপ (এন এল এ এন এল), দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি অমকিল, খুরাই কনবা নুপী লূপ, পাউনম লৈরক নান্দৈবম লৈকায় অমসুং কাদাগা পুন্না খুৎশম্নদুনা মীয়ামগী ওইবা ৱাকৎ মীফম অমা পাঙথোক্তুনা মণিপুরদা য়ু লিগেলাইজেসন তৌবা য়ারোই, য়ুদগী মণিপুরগী মীয়াম কল্লু হায়বগী ৱাকৎ মীফম ফমখি হায়রি।